# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৩৫

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**ওক্টোবর ৩১,** ২০০৭তা চহীসিগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা ওক্টোবর থানা মওং চুমদনা মী খ্বাইদগী হেন্না শিবা থা ওইখি। পোষ্ট মোর্টেম তৌখিবা রিমসকী রেকোর্দ মতুংইন্না ওক্টোবর ৩১ ফাওবদা হকচাং৭৯ পোষ্ট মোর্টেম তৌখি। নোংমৈ মরূনা পানবা মীওই ৪৭ (সেক্যুরিটি, মীচম, য়ু জি), গাড়ী এক্সদেন্ট ১৭, খঙহৌদনা শিবা মরি, মৈনা চিংবা অহুম, ঈশিংদা তাবা অমা, থাঙনা থিনবা অমা, থৌরি য়ানবা অমা, ফুবদা শিবা অমা, অঙাং উনবদা অমা, বস মনুংদা শিবা অমা, মশাদা অশোক-অপন য়াওরগা শিরম্বা অমা য়াওনা পোষ্ট মোর্টেম তৌখি।

**ওক্টোবর ৩১ :-** অয়ূক পুং ৭ লোম তাবদা ফুংয়ার-ফাইটস সব-দিভিজনগী সোরদেদা লৈবা অহানবা অসাম রাসফলসকী কাঙবু অমনা ম্যান্মারগী বোর্দর মনাক্তা লৈবা কাসোং হায়না খঙনবা মফম অমদা ত্রক অনীদা চৎপদা সোরবুংদা হান্নদগী ফীভম শেমদুনা লৈরম্বা মতিক চানা ফরবা খূৎলায়শিং পায়বা কাঙবু অমনা অয়ূক্কী পুং ৮.৪৫ রোম তাবদা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকনবা মওংদা এটেক তৌরকখি। এটেক অদুদা মেজর অমা য়াওনা পার্সনেল অহুম খুদক্তা শিবগা লোয়ননা তরেৎনা শোকখি।

**নবেম্বর ১, ২০০৭ :-** অয়ূক পুং ৭.২০ রোম তাবদা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী চীফ এঞ্জিনিয়র রাষ্ট্রপতিগী শিংজমৈ চিরোম লৈকায়দা লৈবা ময়ূমদা মশক খঙদবশিংনা গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হনখি। থৌদোক্তুদা অশোক অপনদি থোকখিদে।

অয়ূক পুং ৮ লোম তাবদনা ইরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল চীফ এঞ্জিনিয়র মোহম্মদ অজিজ খান এলাইজ খানগী ময়ূমদা পল্ফকী এক্টিভিষ্টনি হায়না থাজবশিংনা লংশিল্লম্বা বোম অমা থেংনদুনা পুলিসকী বোম এক্সপার্টনা লৌখৎলগা শোয়দ-ঙামদনা পোকখায়হনখি।

অমরোমদা মশক খঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা ফাখিবা আই এফ সী দিগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র এন য়াইস্কুল ঙসি ফাওবা মরী মখোঙ খঙদনা লৈরি।

**নবেম্বর ৩, ২০০৭ :-** কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি) গী অপূনবা মেম্বর ৩১গী মনুংদা মশীং য়াম্বা কাঙবুনা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা ওক্রম ইবোবীগী লৈঙাক পামদে হায়না ফোংনা কেম্প্যেন চথবনা ইবোবী মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকপা মতম ওইরে হায়না দিল্লিদা কেম্প তৌখিবা মহাকপু য়াদবা এম এল এশিংনা ফোঙদোকখি। মরক অসিদা নুমিৎতুগী নুংথিল পুং ৪দা কৌখিবা কেবিনেট মীফমদা চীফ মিনিষ্টর থারগা মিনিষ্টর তরেৎখক্তনা শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরগী মায়োক্তা কেম্প্যেন চথখিবা কোংগ্রেসকী এম এল এশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না এম এল এ ৩১ লৈবা সী এল পি মনুংদগী মিনিষ্টর অনী য়াওনা পূন্না এম এল এ ১৭ দিল্লিগী অরোনবা কেম্পতা পূন্না লৈখি।

**নবেম্বর ৩, ২০০৭ :-** নুমিৎসিগী নুংথিল পুং ৪.৫০ রোম তাবদা সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পাওনা কৈথেলদা লৈবা রিবোক্কী শো রুমদা মশক খঙদবশিংনা ক্রুদ বোম অমা লংশিল্লম্বদগী পোকখায়দুনা দুকান মপূ অমসুং পোৎ য়োনবা য়াওবা অমা শোকখি।

**নবেম্বর ৪, ২০০৭ :-** চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমসুং এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম দিল্লিদা থুংখিদুনা লুচিংবা অনীনা মাগী মাগী গ্রুপশিং উনদুনা পোলিটিক্সকী লাল্লোং হেন্না কনশিনখি। মরক অসি দিসিদেন্ট গ্রুপকী এম এল এ ১৫না খূৎয়েক পীবা অলটিমেটম অমা চীফ মিনিষ্টরনা দিল্লিদা থুংনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মহাকপু লৌথোক্লবা এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি নোর্থ ইষ্টকী ইন চার্জ পুরিবা পৃথিবীরাজ চৌহান্দা য়ৌহনখি।

**নবেম্বর ৪, ২০০৭ :-** মমাঙ থাগী ৩১দা উখ্রুলগী ফুংয়ার-ফাইসট সব দিভিজনগী মনুং চনবা সোর্দে মনাক্কী সোর্বুংদা অহানবা এ আরগী মেজর অমা য়াওনা পার্সনেল অহুম হাৎলগা পার্সনেল ৭/৮ লোম শোকহনখিবা থৌদোক্কী মখা তারকপগী লোন্নবা অহিংদা সোর্দে এরিয়াদা এ আরনা 'টেররিষ্ট' নি হায়বা মীওই অনী কাপ্পবনি হায়বা থৌদোক্তা শিখি।

**নবেম্বর ৫, ২০০৭ :-** মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল মঙাগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা পূন্না ওজা ২৪৭ লৌগদবা শেনবা চহী ২০০৬-২০০৭তা য়াম্না লানবা মওংদা ওজা ১০১৪ লৌশিনখি। পূন্না ওজা ২৪৭ লৌগদবদা ১০১৪ হাপখিবা অদুদা চান্দেলগী ওজা ৩২ মথৌ তাবদা ২০২, সদর হিলসকী ওজা ৪৫ মথৌ তাবদা ১৮৪, তমেংলোংগী ওজা ৪০ মথৌ তাবদা ১০৭, চুড়াচান্দপুরগী ওজা ৭০ মথৌ তাবদা ১৬৪, সেনাপতিগী ওজা ২২ মথৌ তাবদা ১৩৬ অমসুং উখ্রুলগী ওজা ৩৫ মথৌ তাবদা ২২১ হাপখিবনি।

**নবেম্বর ৬, ২০০৭ :-** দিল্লিদা চৎলুবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমদি মহাকপু শৌগৎপা মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংনা নুমিৎসিগী অয়ূক অঙনবদা থুংলবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগা হল্লকপদা য়াওবা এম এল এ অমনা সী এল পিগী লুচিংবা ওইখিবা ও ইবোবীবু চীফ মিনিষ্টর ফমদগী শিন্দোকপগী ৱাফম লৈরোই হায়না এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমদি প্রাইম মিনিষ্টর ডাক্তর মনমোহন সিংহনা খঙহল্লকপনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু দিল্লিদা কেম্প তৌরিবা দিসিদেন্ট কাঙবুগী ঈহৌসু হনবা লৈতনা চঙশিনবগা লোয়ননা কেম্পকী থবক হান্নদগী চেকশিন্দুনা এ আই সী সীগী লুচিংবশিং উননবা হোৎনবা লেপখিদে।

**নবেম্বর ৬, ২০০৭ :-** ইম্ফাল অর্বান কোওপরেটিভ বেঙ্ক, এম জি এভেন্যু ব্রাঞ্চতগী একাউন্ট ক্লোজ তৌখ্রবা চ্যেক মরি শীজিন্নরগা লুপা ৬,৭০,০০০ কায়থোক্তুনা হূরানখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবদগী য়ু এন এল এফনা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা চঙজরক্লবা অরোইবা ৱার্নিং পীখিবা থিংনাম রঞ্জন এলাইজ জোন (৪০) থাংমৈবন্দ কব্রাবম লৈকায় দি এম কোলেজ গেটতা লৈবা অসি লূপ অদুদা চঙজখি।

**নবেম্বর ৬, ২০০৭ :-** জোনেল এদ্যুকেসন ওফিস থৌবাল জোন টুদা এ আই ওইবা তেন্থা খুঞ্জাওগী নাওরেম তোম্পোক মহাক্লা হান্না পুরকপা মিদ-দে-মিল অমদি সিভিল ৱর্কশিং পুবা য়ারোই অমদি মহৈ লোইশঙগা মরী লৈনবা থবক্তা শেঞ্জা থুমজা তৌরবদি তলব অমদি পেন্সন ফাওবা থিংগনি হায়না কে ৱাই কে এলনা ফোঙদোকখি।

**নবেম্বর ৬, ২০০৭ :-** সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এন লোকেন্না কে সী পি (এম/সী) বু অরানবা তাহন্নবা হোৎনবা অমদি অরানবা মওংদা অঙ্গলৱাদি সেন্তরশিং হাংনবা অমদি ৱার্কর অমসুং হেলপরশিং হাপ্পবা থবক লৌখৎলি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরখক্তা নত্তনা মহাক্লা নক্লরিবা খুদিংমক অমত্তা খাক্তনা খূৎ থাগনি হায়না লূপ অসিনা ফোঙদোকখি।

**নবেম্বর ৭ :-** মণিপুরদা লৈখিবা এস পি এফ গভর্ণমেন্টকী মরুওইবা পার্টনর কোংগ্রেসকী লুচিংবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা ও ইবোবী শিন্নবা সী এল পি মনুংদা কেম্প তৌখিবা অদুদা নত্তনা পার্টি ওর্গেনাইজেসন্না সী এল পিগী মথক্তা ঈরাং অমুক হৌরকপা অসিনা মরম ওইদুনা কোংগ্রেস মনুংগী ঈরাং হেন্না মওং তাদবা ফীভম অমা লাকখি।

**নবেম্বর ৮ :-** দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা ও ইবোবীবু শিন্দোক্লবা অকনবা লাল্লোং চঙশিনখিবা দিসিদেন্ট এম এল এশিংগী ঈহৌ হেন্না কনশিল্লকপগা লোয়ননা নুমিৎসিগী নুমিদাংদা এ আই সী সীগী অৱাং নোংপোক লমদমগী থবক পুবা পৃথিবীরাজ চৌহানগা দিসিদেন্ট এম এল এশিংগা উনদুনা করিগীদমক চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী শিন্দোকপা পাল্লিবনো হায়বদু শন্দোক্লা পীদুনা তাহনখি। মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম কা হেন্না ফৎচিল্লক্তবা, লৈঙাক্কী থবক্তা অশোয়বা লৈবগা লোয়ননা দিভলপমেন্ট ৱর্কশিং নীংথিনা পায়খত্তবা অমদি অতৈ ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা ও ইবোবীবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্দুনা থম্বগী মহুত্তা অতোপ্পা অমা শিন্দোকপা পাম্বনি হায়বা ৱাফম থমখি।

**নবেম্বর ৯, ২০০৭ :-** দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা লৈখিবা কোংগ্রেসকী দিসিদেন্ট এম এল এশিংনা নুমিৎসিগী অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবদা য়ু পি এগী চ্যেরপার্সনসু ওইরিবী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগা উনদুনা ও ইবোবীবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্দনবা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী মতাংদা অকূপ্পা ৱাফমশিং থমখিবতা নত্তনা চীফ মিনিষ্টরনা দিল্লিদা লৈরিঙৈদা পার্টিগী লুচিংবশিংদা থল্লম্বা ৱাফমশিংসু শেংদোকখি।

দিসিদেন্ট গ্রুপকী স্পোক্সপার্সন এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্রগা ৱারী শানবদা পার্টিগী নেসনল লীদরশিংগী থৌজাল ফংলবনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদু মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

**নবেম্বর ১০, ২০০৭ :-** চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীবু শিন্দোক্লবা অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা এম এল এশিংনা নুমিৎসিগী নুমিদাং পুং ৮ তাবদা এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর প্রনব মুখর্জিগা উনদুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগী মখাদা লৈবা লৈঙাক্লা শোয়বদগী মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর কা হেন্না ফত্তবনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী পুন্সি শাফবা ওইদ্রে অমসুং নোর্মেল সোসিএল এক্টিভিটিশিংদা শাথিনা শোকহল্লে হায়না দিল্লিদা কেম্প তৌখিবা কোংগ্রেসকী দিসিদেন্ট গ্রুপকী স্পোক্সমেন এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্রনা ফোঙদোকখি।

**নবেম্বর ১০, ২০০৭ :-** নুমিৎসিগী নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা ৱাঙ্গোই পুলিসকী মনুং চনবা সমুরৌ বজারদা লগাও খাওফমদা লুপা ৩০০ মাঙলবা নুপা অমনা শেল খরা হল্লু হায়বদগী নিংঙাই শংদানরিঙৈদা মশক খঙদবা খরনা খূবাক অমসুং খূজেংদা নোংমৈ মরূ অনী কাপশিল্লমখি।

**নবেম্বর ১১, ২০০৭ :-** কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী শিন্দোক্লবগীদমক পার্টিগী এম এল এ খরনা ন্যু দিল্লিদা কেম্প তৌরবসু চীফ মিনিষ্টর ইবোবী মশানদি মহাক্লা লুচিংলিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা দিভলপমেন্টতা মায় ওনশিল্লি, লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদদি থা তরুক্কী মনুংদা অহোংবা অমা লাক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

**নবেম্বর ১১, ২০০৭ :-** দিল্লিদা চৎখিবা কোংগ্রেস দিসিদেন্ট এম এল এশিংগী কেম্পতা পৱার মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিংসু য়াওশিন্দুনা মপাঙ্গল কনবা হেনগৎখিবগা লোয়ননা নবেম্বর ১০দা লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা ও ইবোবীনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টপু শিধবা য়াবা শিধরবা মতুংদা দিভলপমেন্ট ৱর্কশিংগী মতাংদা অমুক শিধবা য়াবমখৈ শিধখি।◀◀

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ডোক্তরশিংবু মীৎনা উবা তাইবঙ শেন্বা মপূনি হায়দুনা ইকায়খুম্নরিবনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুর** মেদিকেল হেলথ সর্ভিসকী মখাদা কুম্বী, ইথাই, মোইরাং, বিষ্ণুপুর, কৈনৌ, নম্বোল, ময়াং ইম্ফাল, করাম হাওরৈবী, তমেংলোং অসিনচিংবা অরাপ্পা মফমশিংদা এম ও ওইনা থবক তৌরক্তুনা পুন্সিগী অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা অনীগা লোয়ননা অনা-অয়েকশিংগী ঙমজবা তেংবাঙ খরদং পাংজবা ঙমখি। লৈঙাক্কী থবক তৌরিঙৈ মনুংদা থেংনখিবা থৌদোক অমা অনীদং তমজরবদা, তমেংলোংগী খোংজারোন্দা লৈরিবা ৫শুবা মণিপুর রাইফলসকী য়ুনিট হোস্পিটালদা চহী ৬ লোম লিশাং-শিৎনা থবক পুরকপদা নোংমা শুক্লা মল্লবা থেংলবা অহিং নোংয়াই মতুং অদুৱাইদা খোন্থাং শোন্না অনাবা পুরকই, থোঙ খরা হাংউ হায়দুনা থোঙ অদু কোক-কোক থিল্লকখি। তাঞ্জা অদু ইলেক্ট্রিক লাইটসু লাকখিদে। কৌরক্লবা খোন্থাং অদুসু চিংনদবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক অনাবা পুরকই হায়বদগী খোঙলৈ থুনা থোঙ অদু তপ্পা হাংদোক্লুবদা অনাবা পুরকপা ওইরমদ্রে, নোংমৈ অশাংবা পায়বা মরাং-তুরাংবা ক্যামুফ্লাজগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা মখোয় মরি-মঙারোম কা মনুংদা চঙলক্তুনা ঐবু ইনবোয়-লাকপোয় তৌদুনা থবাকমক্তদা নোংমৈ চিন্দোন্না ওনশিন্দুনা অরৈবা পৈশা পুথোরকউ হায়দুনা ফমুংনচিংবা মথক-মখা ওন্থোক্তুনা অকি-অখং ফাওহনখি। য়াম্না নুংঙাইজখিবা অমসুং পেঞ্জখিবদি অনাবা পুরকই হায়বদুদা অদুগুম্বা তাঞ্জা অদুদা থোঙ হাংদোকপা ঙমখিবা, মখোয়না ঐবু কনবিরম্বা অমসুং তাইবঙ মপূনা খুদিংমক ঙাকপীরম্বা অদুবুনি। থৌদোক অমনা নম্বোলগী প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা ইথন্তা ইভনিং দ্যুটি তৌরিঙৈদা অরাপ্পা মফমদগী মীওই খরা লাক্লগা নুপীমচা অঙাং অমা ঈশিংদা তাহৌরে অমুক্তা থুনা চৎপীদবা য়াদ্রে হায়দুনা কন্না হায়বদগী নূং অনীগী মরক্তা হা হায়বদু ওইরবসু অদুগুম্বা মীৎকুপ অদুদা থম্মোয় চাক্লা তেংথা নাওইরমগদবা মমা-মপা অনীদুগী অৱাবা খল্লুবদা লাইবক্লা থোক্লবা হায়বদুনি খন্দুনা একাগাড়ী তোংমিন্নদুনা মখোয়গা চৎমিন্নখি। মফম অদু য়ৌদুনা অঙাং অদুগী থৱায় কন্নবা অঙম্বা হোৎনজরবসু খঙহৌদনা ঐগী মীৎতা অৱাবগী পিরাং শিন্থখি। মনুং মতম চাদনা লাইরমলেন্দা পুবিখিবগীদমক তাইবঙ শেন্বা মপূগী মফমদা করিসু খঙজদবা ঐহাক্লা থোইদোক্লা ৱারৌজখি। নুংঙাইজরিবা অমসুং পেঞ্জরিবদি হোস্পিটালগী অকনবা চৎন-কাঙলোন থুগাইদুনা ঈশিংদা তারিবা অঙাং অদু কন্নবগী ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা অরাপ্পা মফম অদু য়ৌবা ঙমখিবা অমসুং থম্মোয় চাক্লা তেংথা-নাওইরিবা মমা-মপা, ইমুং-মনুং অমসুং কৈরোয়-লৈকায়গী মীশিংগা ঙাইহাক্তং অৱাবা শরুক য়ামিন্নখিবা অদুগীসু মথক্তা তাইবঙ মপূনা চানবিদুনা হোস্পিটালদা থোকপা য়াবা থৌদোক থোকপীখিদবা অদুনি।

থৌদোক অমনা গুৱাহাটিগী বেলটোলা হায়রিবা মফম অদুদা লৈরিবা শঙ্কর নাত্রালয় আই হোস্পিটালদা ঐগী মীৎ নামা অমা ওপরেসন তৌরিবা ডোক্তর অদুগা ৱারী শানা-শানা মানা ঐবু নুংশিবিবা অমসুং থাজহনবা পোকহনবনা মরম ওইদুনা ইখঙ খঙহৌদনা ঐগী চিন্দগী মহাকপু তাইবঙ শেন্বা মপূনি হায়দুনা হায়দোক্লুরে। মানদি মহাক তাইবঙ শেন্বা মপূ নৎচদে হায়জে। অদু ওইরবসু ঐনা পেঞ্জখিবদগী নমদুনা মহাকপু তাইবঙ মপূনি হায়খি। মহাক তুমিন্না লৈখি। নুংঙাইজরিবা অমসুং পেঞ্জরিবদি ডোক্তর অদুনা কাঙলূপ-ফুরুপ, শক-চুনচিংবা খেন্নরবসু ঐবু নুংশিবিবা অমসুং থম্মোয় শেংনা থাজবা পোকহনবা ঙমদুনা মহাকপু তাইবঙ মপূনি হায়জবা ঙমখিবা অদুনি। কুমজা ১৯৮৪-৮৫গী মতমগী ৱানি। তোয়না ওবা অমসুং কোক চিকপনা মরম ওইদুনা মতম অদুগী মণিপুরগী আর এম সী হৌজিক্লা রিমস হায়না খঙনরিবা হোস্পিটাল অসিদা লায়েং চথদুনা লৈরিবা ইপানা অয়ো ইমা, অয়ো ইমা কৌদুনা থা অমা ফারক্লবফাওবদা ফগাৎলকপগী ফীভম উরক্লে। মতম শাংনা ৱামনখিবনা ফমশেন্নজরিবা মচেদা লৈয়েং ফাইরপ তৌনা 'ইচে য়াম্না ৱারে য়ূমদা চৎলসি' হায়দুনা তোয়না হায়রকখি। য়াম্না থম্মোয় শোক্লা মচেনা মৌপ্পাদা থুনা ফরনিদা অদুগা ইচিন-ইপ্পা য়ূমদা থুনা হল্লসি হায়দুনা মমিত্তা ঈরা চেন্দুনা মচিন-মৌপ্পা পুকমেন পাওমেন্নখি। অমরোমদা মতিক চাবা মেদিকেল ফেসিলিটি লৈত্রিঙৈগী মতম অদুদা আর এম সীগী ডোক্তরশিংনা ঐখোয়গী অৱাবা অদু উবিদুনা অমত্তা ওইনা থম্মোয় শেংনা হোৎনবিখিবদু নীংশিংলুবদা মখোয়দা পুন্সিগী শিংবা ঙম্লরোইদবা লমন তোল্লে হায়না লৌজগনি। ইপাগী অনাবা অদু ফহন্নীংবদগী নোংমা ফাওবা য়ূমদা পোথাহনখিদনা য়াম্না থাজবা অমসুং হায়-এক্সপেক্টেসন অমগা লোয়ননা দিল্লিগী এ আই আই এম এস (এইমস) হোস্পিটালদা চৎতুনা লায়েংবা হৌখি। নুমিৎ খরা লৈরগা ন্যুরোসর্জন ডোক্তর অদুনা য়াম্না ঈংনা-তপ্পা ঐবু মনাক্তা কৌশিল্লগা ইপা অসি য়াম্না শাথিবা ব্রেন-কেন্সর অমনা নারে, ওপরেসন তৌবদা খুদোংচারোইদবনা য়াম্না থুনা য়ূমদা পুখিনবা তাকপীরকখি। অদুবু মীওইবগী হিংহন্নীংবগী ময়াইদুনা ইপাদু ৱাখলনা অমেরিকাদা ফাওবা পুনীংলমখি। অমরোমদা ডোক্তর অদুগী লৈশি-লৈথোল্লবা ৱাহৈশিং অদু তাবদা অৱাবা মখৈ মাঙখিবগা লোয়ননা তৌগদবা ইথৌশিং অদু মথং-মথং পাঙথোকখি।

কাঙলূপ-ফুরুপ, শক-চু, লাইনীং-লাইশোন, লায়র-ইনাকখুনবা, অঙাং-অহল, নুপা-নুপী, মচিন তোংবা তোংদবা, ইমুং-মনুংগী মী, মপানগী মী হায়বনচিংবা অপিকপা ৱাখল্লোন অসি খায়দনা তাইবঙ মীগী থৱায় অসি চপ মান্নে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ডোক্তরশিংনা থম্মোয় শেংনা অঙম্বা মতেং পাংবিখিবদগী অনা-অয়েক অমসুং মাগী ইমুং-মনুংনচিংবনা পেঞ্জখিবদু তাইবঙ মপূনা পেঞ্জবগা অমত্তনি। অসুম্না অৱাংবা থাক্কী হ্যুমেন সর্ভিস অদুনা মরম ওইরগা ডোক্তরশিংবু তাইবঙ শেন্বা মপূগুম্বনি হায়নরিবনি। অসিগুম্বা মতেং পাংখ্রবা মতুংদা ডোক্তরশিংগী থম্মোয়দা অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা অমসুং পেঞ্জবা শোয়দনা ফাওরমগনি। যিশু-খৃষ্টনা তাইবঙ মীগীদমক অৱা-অনা, ফত্তবা থবক্লচিংবগী পোৎলুম অদু পুদুনা লাইরমলেন্দা চৎখি। মহাক্কী খাঙবা কনবা, মথৌনা-মরিংজেল লৈবা, ঙাকপী হৈবা, পুকচেল চাউবা, মীনুংশি লৈবা অমসুং কখোক্কনবগা লোয়ননা লৈত-লায়র, অৱা-অনা, অতোন-অতানচিংবশিংবু তেংবাঙবীবগী মতিক-ময়াই, গুণশিং অদু চেনবনা তাইবঙ মীনা মহাকপু তাইবঙ শেন্বা মপূগী দুটনি হায়দুনা খুরুম্নরি।

অরোইবদা, ডোক্তরশিংনা যিশু-খৃষ্টকী মতৌগুম্না খুন্নাইদা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লবিদুনা অচৌবা হ্যুমেন সর্ভিস অমা তৌবিদুনা মপোকসিমগী অরান-খুভম ফংবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা লম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## তৌনীং-তৌনীংবতা তৌবগী হৈনবী থাদোকসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**লৈঙাক্লা** খরা শোয়বনে, লম্বী মপান্দা লৈবা মীয়াম্না খরা শোয়বনে, মণিপুরগী কোনুং ইম্ফাল সহরগী মনুং অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা লম্বীশিংগী মপুন্সি কুইনা চৎনীংঙাইগী মরম শুকলৈ লৈতে। কন্নাগুম্বা মীওই অমনা চানবা পোৎ অমা লৈরগা অতোপ্পা মীওই খরগা য়েন্নদুনা চামিন্নবা হায়বসি মীওইবগী অফবা লীচৎনি। অদুবু ময়োল লৈঙাক্লা ঐখোয়গী ষ্টেটকী চাওখৎ থৌরাংগী থাদরকপা শেনফম অদু অপিকপদগী হৌরগা মকোক থোংবা লুচিংবা ফাওবা য়েন্নরগা চাথোক্লবদি মদু মীওইবগী অফবা লীচৎ নত্তে। লুপা চাম্মা থাদরকপদু লুপা ৫০দসু মীয়ামগী খূৎতা য়ৌহল্লু। মণিপুর নহান্না পূল্লং লংলনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদদি লম্বী অমা কোয়লাস থাবা মতমদা অথাবা, অপাকপা অমসুং অশাংবা মরী লৈনবা এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র নৎত্রগা এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র নৎত্রগা এস ওনা ওনবা লাক্লরম্মী। হৌজিক্কী মতমদা মদুসু উখিদ্রে। থিকাদারশিংগা মখোয়গা অমত্তা ওইখ্রে। মখোয়সু থিকাগী থবক শূবা য়াওখ্রমাল্লে। হৌজিক্কী মতমদা লম্বীদা কোয়লাস থাদ্রে, তৈরগা তোক্লে।

কোয়লাসকী খ্বাইদগী য়েক্লবসি ঈশিংনি। মরম অদুনা লম্বীগী য়েৎ অমসুং ওয়দা নালা থম্বা হায়বসি য়াম্না মরুনি। ইম্ফাল সিটিগী মনুংদা অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা লম্বী অয়াম্বগী য়েৎ অমসুং ওয়দা নালা মতিক চানা লৈতে। লৈরবসু ঈশিং ফজনা চেন্দে। খুদম ওইনা উরিপোক কাংচুপ রোদকী খাদা নালা লৈতে। মসিগী মথক্তা লম্বীগী মতাইদা লৈবিরিবা অমসুং দুকান ফম্বীরিবশিংনা মখোয় মখোয়গী কোন্থোং অমসুং দুকান মমাঙ নালাদা ঈশিং চিথখিনবা অহোবা অমত্তা ফাৎতনা থোনগৎপনা নালাদা ঈশিং চেন্দ্রে, লম্বীদা ঈশিং চেল্লে। মরম অদুনা নোং খজিক্তং হেক চুবগা উরিপোক কাংচুপ রোদকী লম্বী মতেক খরা ঈশিং থুল্লিবসিনি। ইমা ইবেম্মা লাইখুরেম্বী মপাদা লৈরিবা ফ্লাই ওভর ব্রিজ মখোঙ অসিদগী ঈশিং চিথখিনবা অহোবা অমত্তা য়েৎ অমসুং ওয়দা ফাত্তবনা নোং খজিক্তং হেক চুবগা ফ্লাই ওভর ব্রিজ মখোঙ অসি ঈশিং থুম্মী। ঈশিং থুম্বনা মরম ওইদুনা পোট হোল লৈরকই। মরম অদুনা ঙাইহাক লৈতনা পোট হোল মেন্নরিবসিনি। রিমস মমাঙদা চৎলিবা উরিপোক খুয়াসেলুংবা লৈরক অসিগী কোম্বীরৈ কৈথেলদা লৈরিবা সুবা হোস্পিটাল মপাগী লম্বী মতেক অসি নোং খজিক্তং হেক চুবগা ঙাইহাক লৈতনা ঈশিং থুম্মীবসিগী মরমদি লম্বীসিগা রিমস চেকপলগা তাইনবদা নালা লৈতে। রিমসকী চেকপললোম থংবা শরুক্লা লম্বীদগী ৱাংখৎলি। লম্বীনা নেম্লবনিনা লম্বীদা ঈশিং থুম্বনি অমসুং ঙাইহাক লৈতনা পোট হোল মেন্নরিবনি। ঈশিং হায়বসি অৱাংবদগী অনেম্বদা চেন্থখিবা পোৎনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা লম্বী শেম্বীবা মতমদা লম্বী ময়ায়না থবী মরূদৌনা খরা তোংহল্লগা মতাই মতাইদা খরা খরা হুইথবীখ্রবদি লম্বীগী মপূন্সি শাংগনি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী খ্বাইদগী চাউবা অনা লায়েংশঙ রিমস তারিবা, রিমস রোদকী লম্বী মতেক, রিমসকী টর্নিংদগী হান্না সিজ হোস্পিটাল লৈরম্বা ফাওবগী লম্বী মতেক অসিদা পোট হোল অমত্তা লৈতে। লম্বী মতেক অসিগী ফীভম ফরি। লম্বী মতেক অসিগী ফীভম ফরিবসি লম্বী মতেক অসিগী য়েৎ অমসুং ওয়দা লম্বীদগী নালাদা ঈশিং চিথখিনবা অহোবশিং ফাৎলিবসি লম্বী মতাইদা লৈবিরিবশিং অমসুং দুকান ফম্বীরিবশিংনা মখোয় মখোয়গী কোন্থোং অমসুং দুকান মমাঙদা থোনগৎতুনা অমত্তা মেনশিন্দে। মফম খরদা কাঙলোন লান্না দুকান মমাঙদা থোনগৎলবসু নালাদা ঈশিং চিথখিনবা অহোবশিং ফাৎলি। লম্বী মতেক অসিদগী মমাঙলোমদা খরা হাইগৎখ্রগা ববিনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্তর মপাদা পোট হোল ময়াম লৈরক্তুনা লম্বী মতেক অসিগী ফীভম শোকচিল্লিবসি লম্বী মতেক অসিগী য়েৎ অমসুং ওয়দা লম্বী মতাইদা লৈবিরিবশিং অমসুং দুকান ফম্বীরিবশিংনা মখোয় মখোয়গী কোন্থোং অমসুং দুকান মমাঙশিংদু নূং, লৈঙোই অমসুং সিমেন্ট শীজিন্নদুনা থোনগৎপনা নোং তারকপা মতমদা লম্বীদগী নালারোমদা ঈশিং চিথখিনবা অহোবশিং লোইনা মেনশিল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা নোং চুরকপা মতমদা লম্বীদগী নালারোমদা ঈশিং চিথদ্রবনিনা লম্বীদা ঈশিং থুল্লে। লোয়না লোয়ননা পোট হোল লৈরক্লে। মরম অদুনা লম্বী মতেক অসিগী ফীভম শোকচিল্লক্লিবনি। মসিনা মীয়ামগী অশোয়বনি। অদুবু মমাঙদা মণিপুরগী ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়া অমনা লৈঙাক্তা মরাল শিখি। মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না শোয়রগা লৈঙাক্তা মরাল শিবগী হৈনবীসি ঐখোয় থাদোকসি। লৈঙাকখক্তনা লৈবাক অমা চাওখৎহনবা ঙম্বা নত্তে। মীচম মীয়ামগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বসি ঐখোয় কাউথোকফম থোক্তে।

লম্বী হায়বসি মীয়ামগী প্রোপর্টিনি। মসিবু মপুন্সি শাংনবা হোৎনবসি ঐখোয়গীসু ইথৌনি। লৈঙাকসু লৈঙাক অমগী তৌফম থোকপা ইথৌদু পুকচেল শেংনা পাঙথোকপীয়ু। লম্বীশিংগী য়েৎ অমসুং ওয়দা নালা মতিক চানা থম্বীয়ু। মণিপুরগী কোনুং ইম্ফাল সিটি মনুং অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা লম্বীশিংগী মপুন্সি শাংহনসি হায়রবদি কাঙলোন লান্না লম্বীদা, নালা মপান্দা, লম্বীগী মতাইদা লৈবিরিবশিংনা অমসুং দুকান ফম্বীরিবশিংনা মখোয় মখোয়গী কোন্থোং মপা অমসুং দুকান মমাঙশিং থোনগৎলিবা অসি কোৎথোকপা মথৌ তাই। মীয়াম্নসু ইশাখক্তগী খল্লগা তৌনীং-তৌনীংবা তৌবগী হৈনবী থাদোকপা মথৌ তাই।

*অদোমগী - থৌনাওজম মনোরঞ্জন*
*উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০

১। ১৮৯১দা ফাঁসি তৌখ্রবা ঐখোয়গী অথৌবা অনী, চিরাই নাগা অমদি পুখ্রম্বা ফিঙাং (কাজাউ) অনীগী মিংদা হৌজিক লম্বী অনীগী মমিং থোল্লনি হায়রি।
(ক) চিরাই নাগানা হাৎখিবা সাহেব অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) কাজাউনা হাৎখিবা মিষ্টর গ্রীমউদকী নুপীদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "চীন্নাইদবী মরুপ-ও/ঙাইহাক্তসু ঙাইখো-ও/লমনাইদবা মালংনি।" পরেং অহুম অসি কবি চাউবগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "শান্নরি পোকপদা ঙায়রিবা নুমিৎনা/তঙাংলবা মখোঙ-মখূৎ কাওরদুনা/লোংখ্রাক লোংনা মফি থোংদনা।" পরেং অহুম অসিনা 'য়েংলু য়েংলুবদা' হায়বা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ১৯৬৭তা ফোঙবা শৈরেং লাইরিক অমনা অইবীশিংগী ইহান হানবা শৈরেং লাইরিকনি হায়না পানরি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৫। কালকূটকী বাংলা উপন্যাস 'শাম্ব' হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দোকপদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।